# ভোল্লিবোল টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ঃ
থা অসিগী ১৯ দগী হৌরগা ২৫ ফাওবা কেরেলাগী ইররেনা কুলমদা চথগদৌরিবা ৪৩ শুবা জুনিয়র নেসনেল বোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ (বোইজ এন্দ গার্লস) দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী ভোল্লিবোল টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

টিম অদুদা শান্নরোই ১২ অমদি ওফিসিয়েল ২ য়াওখি। শান্নরোইশিং অদুদি টি ঐচ জোতিন, ৰাই করনাজিৎ, এম দি জাকির, ৰাই ভুধাচন্দ্র, এল মণিতোম্বা, কে ঐচ ভুধাচন্দ্র, এল সোমোরজিৎ, কে বেদা, এন ধনদরিব, এন রমানন্দা, ঐচ রজু অমদি এল অবোথোইবনি।

ওফিসিয়েল অদুনা মথং শিংনা কোচতা এন জিতেন অমদি মেনেজরনা সি ঐচ সনাজাওবনি।

# মীজোরামগী ফুটবোল ক্লব আইজোল এফ সিনা চর্চিল বদ্রর্সকা শান্নবদা পোইন্ট অহুমক ফঙননবা অকনবা মীৎয়েং থল্লি

*ভস্কো, এপ্রিল ১৪ঃ*
ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৰাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্তা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল লাকখিবদগী অনীশুবা থাক্তা লৈরি হায়না লৌনরিবা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হয়েং গৌৰাগী সহর ভস্কোদা শান্নগদবা ১৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা লীগ অসিগী মকোক্তা লৈরিবা মীজোরামগী আইজোল এফ সি না য়ুম্বু ওইরিবা চর্চিল এফ সি গা মায় পাক্তুনা মপুং ফাবা পোইন্ট অহুম ফঙলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈনবা মীৎয়েং থল্লি।



*গৌৰাগী চর্চিল বদ্রর্সকা শান্নবদা মায় পাক্লনবা শেম শারিবা মীজোরামগী আইজোল এফ সি গী টিম*

লীগ অসিগী রাউন্দ অহুম শান্নগদবা ৰাৎলিবা অসিদা ১৫ শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবা ফাওবদা মীজোরামগী আইজোল এফ সি না পোইন্ট ৩০ ফঙলগা কোলকাতা মোহন বগানগা চপ মান্ননবা মেটচ মশিংদা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা মোহন বগান্না অনী হেল্লগা মাংজিল থারিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি আইজোল এফ সি না চথরিবা লীগ অসিদা থা অসিগী ৯ দা লীগ অসিগী মমাং চহিগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বঙ্গালুরু এফ সি গী মখুৎতা মায়থিখিবা অদুনা চাওনা মাং জিল থারম্বা অদু ঙমখিবদবনি।

আইজোল এফ সি গী কোচ ওইরিবা খালিদ জমিলনা ফোঙদোকখিবদা টিম অসিনা লীগ অসিগী লেমহৌরিবা রাউন্দ অদুদা মায়পাক্লা হোৎনদুনা ক্লব অসিগী অহানবা আই লীগ টাইটল ফঙনবা হোৎনরকপা অদুগী মাংলানি হায়না শোইহনবা য়াদে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা মহাক্কী শান্নরোইশিং অসি য়াম্না খিংনা মশাদা মায় পাকনিংবগী অচৌবা ঈহুল অমগা লোয়ননা য়াম্না কন্না হোৎনরি। মমাং দা আইজোল এফ সিগা চর্চিল বদ্রর্সকা শান্নখিবদা মহাক্কী টিম্না য়াম্না কোম্না মায় পাকখিবনি অদুবু গৌৰাগী টিম অদুগী কোচ দেরিক পেরৈলানা থৌ পুখিবদগী টিম অদুগী মপাঙ্গল হেনগৎলকখি পনবা য়াই চর্চিল বদ্রর্স লীগ অসিগী টিম ১০ না শান্নবা কম্পিটিসন অসিদা রেলিগেসনগী জগাদা লৈরম্বদগী হৌজিক মেটচ ১৫ দা পোইন্ট ১৭ ফঙদুনা ৬শুবা পোজিসনদা হায়গৎলক্লিবা টিম অমনি। মরম অদুনগা গৌৰাগী টিম অসি তরায়-তরায়না লৌবা য়াদে হায়না কোচ জমিলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।




## ১৪শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌরগনি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১৪ঃ*
মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমদি মোডেল হয়ার সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪শুবা মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট, ২০১৬-১৭ নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা লেপ্পুরবা মতুং হয়েংদগী হৌদুনা লুৰাং শঙবমদা লৈবা লুৰাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নবা হৌরগনি।

হয়েংগী লুৰাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দা মখা তাবা মেটচতা মোদেল ক্লব এ চিংঙামখাগা দি এস য়ু ক্লাকৈথেলগা লম্বা তৌনরগনি হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# কৈরোন পোলার্দকী রন ৭০ না আর সি বীবু মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা ৱিকেট ৪ দা থোইখ্রে অদুগা গুজারাট লাইওন্সনা রাইজিং পুনে সুপরজাইন্সটস ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে






*সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৭০ লৌদুন মায় পাকপগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবা পোলার্দ*

*বেঙ্গালুরু । রাজকোট,এপ্রিল ১৪ঃ*
ভিভো ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লীগ সিজন ১০ গী ঙসি বেঙ্গালুরুদা শান্নখিবা ১২ শুবা মেটচতা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী বেটসেমন কৈরোন পোলার্দনা লৌখিবা রন ৭০ না য়ুম্বু রোয়েল চেঞ্জের্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। অদুগা রাজকোর্টতা শান্নবা ১৩শুবা মেটচতা য়ুম্বু গুজরাট লাইওন্সনা রাইজিং পুনে সুপরজাইন্সপু ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রি কান্তিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১২শুবা আই পি এল সিজন ১০ গী মেটচ অদুগী তোচ মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি।

রোয়েল চেঞ্জের্স বেঙ্গলোরগী মাইকৈদগী মমাংগী মেটচ শরুক য়ারুদ্রবা কেপ্টেন ভিরাট কোহলি লীগ অসিগী অহানবা মেটচ শান্নদুনা খৃস গেলগা লোয়ননা ইন্নিংস হৌরকখি।

মখোয় অনীনা রন ৬৩ হাপচিল্লগা গেল মশান্নগী রন ২২ শুরকপদা আউত ওইখি। অহুমশুবা বেটচমেন এ বি দি বিলিয়াস অমসুং ভিরাট কোহলিনা ইন্নিংস মখা চৎখি। মদুদা মখোয় অনীনা রন ৪৭ কী পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা অপুন্নবা স্কোর অদু রন ১১০ ফাওবা শুহল্লকখি।

বোল ৪৭তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরল্লগা রন ৬২ দা ভিরাট কোহলি আউত তাখি।

ভিরাট কোহলি মতুং টিম অদুগী কেদর যাদব শান্নবা চঙলকখি। যাদব অমসুং বিলিয়াসনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুদ কুইনা লেমিন্নবা ঙমখিদে। শুপ্নগী রন ৫খক হাপচিল্লগা লৈরিঙৈ বিলিয়াস বোল ২১ দা রন ১৯ লৌরল্লগা আউত ওইখি।

৬শুবা বেটচমেন পৱান নেগি শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না যাদবকী পার্টনর্সিপ অদু রন ১২ খক হাপচিল্লগা অপুন্না স্কোর রন ১২৭ শুরকপদা যাদব মশাগী রন ৯ দা আউত ওইখি।

মহাক্কী ইন্নিংস অদুনা বোল ৮ খক মায়োক্লখি। মন্দিপ সিংহনা মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবনি অদুবু মহাক অহানবা বোল মায়োক্লবদা ভিরাট কোহলিবু আউত তাহনখিবা মিৎচেল মেক্লিনগান্না রন অমত্তা লৌহনদনা আউত তাহনখি।

ইন্নিংস অদুগী ১৯ শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৫ তুরগা রোয়েল চেঞ্জের্স বেঙ্গলোরগী স্কোর অদু রন ১২৭ লৈখি।

লেমহৌবা বোল ১১ দা টিম অদুগী মাইকৈদগী পাৱন নেগি অমসুং স্টোর্ট বিনিনা আউত ওইদনা রন ১৫ হাপচিল্লম্বা অদুনা আর সি বি গী অপুন্না স্কোর অদু ৱিকেট ৫ দা রন ১৪২ লৌখি।

মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী মাইকৈদগী মিটচেল মেক্লিনগান্না বেটচমেন অনী আউত তাহনখিবদা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

মায় পাক্নবা রন ১৪৩ লৌগদবা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা মখোয়গী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম য়াম্না থিনা শোকখি। ইন্নিংস অদুগী ৮শুবা ওভরদা টিম অদুগী মকোক থোংবা বেটচমেন ৫ আউত ওইরগা স্কোর বোর্দতা রন ৩৫ খক লৈখিবনি।

রোয়েল চেঞ্জের্স বেঙ্গলোরগী মাইকৈদগী বোল্লর সমুয়েল বাদ্রিনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী মকোক থোংবা বেটচমেনশিং অদুবু মরি মরি আউত তাহনখিবনি।

মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী ওপন্নর জেস বাটলর রন ২ দা আর সি বি গী বোল্লর স্টোর্ট বিনি না আউত তাহনখি।

মহাক্কী মতুংদা অতোপ্পা ওপন্নর পাথিপ পাটেল শুপ্নগী রন ৩ দা আউত তাদুনা অপুন্নবা রন ৭ তগী মখা তাবা ঙমদ্রিঙৈ বরদ্রিনা ৱিকেট অদু লৌখিবনি।

পাথিপ পাটেলগী মহুৎ শিল্লকখিবা মিটচেল মেক্লিনগানবু বরদ্রিনা থংনবা বোলদা আউত তাহন্দুনা রন ৭ তা ৱিকেট অহুম তুখি। হেট্রিক ফঙবগী তাঞ্জা অমা ফঙলিবা রোয়েল চেঞ্জের্স বেঙ্গলোরগী বোল্লর সমুয়েল বদ্রিনা কেপেন্ট রোহিট শর্ম্মবুসু আউত তাহন্দুনা চথরিবা আই পি এল সিজন ১০ গী অহানবা হেট্রিক অদু ফঙবা ঙমখি।

রন ৭ তা বেটচমেন মরি আউত ওইখ্রবা মতুং নিটিস রাইনা অমসুং কৈরোন পোলার্টনা ইন্নিংস শেমগৎলক্তুনা ওভর ৮ শুরকপা রন ৩৩ য়ৌহল্লকখি। অদুবু রনা বদ্রিনা রন ১১ দা অমুক হান্না আউত তাহন্দুনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী স্কোর বোর্দতা ৱিকেট ৫ তুখিবদা রন ৩৩ খক লৈখি।

৭শুবা বেটচমেন ক্রুনাল পান্দিয়া শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না ফিভম ফজনা শান্নরিবা কৈরোন পোলার্দনা ৬শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ৯৩ হাপচিদুনা মেটচ অদুবু মায় পাক্নবগী ফিভমদা পুরক্তুনা ১৮শুবা ওভর য়ৌরকপদা স্কোর বোর্দতা রন ১২৬ লৈখি।

পোলার্দ ১৮শুবা ওভরগী অহুমশুবা বোলদা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৭০ দা আউত ওইখি। মহাক্কী মহুৎ হরদিক পান্দিয়ানা মহুৎ শিল্লকখি। লেমহৌবা ওভর ২.৩ অদুদা মথংশিংনা রন ৩৭ অমসুং ৯ লৌদুনা ১৯শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা মায় পাকপগী রন ১৪৩ লাম্হোক্তুনা ৱিকেট ৬ আউত ওইরগা রন ১৪৫ লৌদুনা মেটচ অদু মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা ৱিকেট ৪ দা রোয়েল চেঞ্জের্স বেঙ্গলোরবু মায়থিবা পীখি।

ঙসি আই পি এল সিজন ১০গী মখা তানা শান্নখিবা ১৩শুবা মেটচতা য়ুম্বু ওইখিবা গুজরাট লাইওন্সনা রাইজিং পুনে সুপরজাইন্সটসপু ৱিকেট ৭ তা থোইবা ঙমখি।

তোচ ঙমদুনা গুজরাট লাইওন্সনা ফিল্ডিং হান্না তৌরকপদা পুনেগী টিম অদুনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৭১ লৌখি। টিম অদুগী মাইকৈদগী কেপেন্টন ষ্টেবন স্মিটসনা বোল ২৮দা রন ৪৩ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ওপন্নর রহুল টিপাটি অমসুং মনোজ টিৱারিনা রন ৩৩ অমসুং ৩১ লৌখিবা অদুনা পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

গুজরাট লাইওন্সকী মাইকৈদগী বোল্লর এন্দ্রু তেনা ৱিকেট ৫ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

মায় পাক্নবা রন ১৭২ অদু গুজরাট লাইওন্সনা ওভর ১৮ দা ৱিকেট ৩ তুরগা লৌখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখিবনি।

টিম অদুগী ওপন্নর অনী স্মিট অমসুং মেক্কুম্না মথংশিংনা ৪৭ অমসুং ৪৯ লৌখিবা অদুনা মায় পাকপগী লম্বেল ওইহনখি।



*রাইজিং পুনে সুপরজাইন্সটসকী বেটচমেন ৫আউত তাহনখিবা গুজরাট লাইওন্সকী বোল্লর এন্দ্রু তে (ওই)*







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*